## এডিটোরিয়েল

ইম্ফালদা নুংতিগী ফোঙবা পাউ–চে অমগী কোপি খোমগৎলগা মৈ থাখিববু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ঙসিগী এদিতোরেয়েল হাংহনজরে

# নিশা, ইনখৎলকপা নহারোল অমদি মমা–মপা

*বিক্রোনেশ্বর ৱাংখেম*

মীওইবগী পুন্সিদা মথোক কাখৎলকপা ইনখৎলকপা মতম অসি খ্বাইদগী ময়াই কাবা, খন্থবা ঙমহৌদনা নোংলৈ নুংশিৎকুন্না অপূ–নবা অমনা খমথেংনা চেন্থোক চেশিন তৌদুনা ৱাখলগী বেলেন্স অমা থন্বা ঙমহৌদবা মতম্নি হায়না অখঙ–অহৈশিংনা ফোঙদোক্লে। মতমসিদা নহা অয়াম্বনা করিনা নুংঙাসবা, নুংঙাইবদুনা য়োমশিল্লগা ময়াই কাবা অমসু পোকহল্লকপা লোয়ননা অদুগুম্বা ফংনবা হোৎনবদদি অঙম অরাই খঙলক্তে শিবা–চংবা, আইনগী চৎনবীগী ধর্মগী ৱা চংদে। নহা ওইবগী মতমসি লান্থোকখ্রগা তুংদা অমুক মতমসি ফংবা য়াররোই হায়বগী ৱাখলসিনা মাংওইনরগা তুংগী ব্রাইত ফ্যুচর অমা শেম্বদা হৌজিক্কী শাজৎনা করি অকাই–অতোয় থোক্কদগে হায়বগী নুংনাংবসু লৈতে।

হৌজিক মতমদা পুন্সিগী নুংঙাইথোকপগী পুংজা খরা পান্নকপা নহাশিংনা নিশাগী পোৎলম খরা চারি থক্লি কাপ্লি। অদুবু য়ান্না মরু ওইনা নহা অয়াম্বনা কমন ওইনা শিজিন্নবা হায়রগদি য়ু–সি অমনি। মসি ফত্তে হায়না ফোংদোক্নরক্লিবসি তোঙান তোঙানবা শিনফমগী মীওই শুরে, অদুবু শিজিন্নবা হন্থরকপদি নত্রি–করিনা পৃথিবীগী ওইবা চৎনবী অমা ওইশনখ্রবনিনা। নোংচুপকী চৎনবীনা মসিবু লাইত রিফ্রেসমেন্ত ওইনা ইন্দিয়াদা হায়রগনা চা–কোফী গুম্বা থকপদৌনা জ্ঞান তানা নুপা নুপীশিংনা শিজিন্নখ্রবনিনা প্রোব্লেম চাউথোক্লক্তে, মখোয়দা মসিগী ফত্তবা কয়া হায়রুরবদি অঙাওবা তারগা তোক্কনি।

ইন্দিয়াদদি অমাঙবা খংঙগা চাং কক্লা নিশা ওইহন্দনা শিজিন্নবা হায়দু চহী য়ুগ অমা চংখিদৌ মাল্লি। মরমদি মসি নোংমা নোংমগী ঙাওজগে লাংজগে নুংঙাইথোকচগে পুংজা খরতা ওইরবসু হায়দুনা মরল তিংথোকপা পাম্মুদনা থকপা মশীং য়ান্না হেনগৎলক্লি। মখোয়দা চাং খজিক্তং ওইনা রিফ্রেসমেন্ত তাইপতা শিজিন্নৌ হায়রুবদা ঙাওজগে লাংজগে লাওজগে হায়দুনা শিজিন্নরিবনি খুন্নক্কনি। মণিপুরদসু চপ চাবা প্রোব্লেম থেংনরি। অমুক্কসু নুংঙাসরিবদি য়ুগী অথিংবা লৈবা ষ্টেট অসিদা মীওই কয়ানা মসি থিংগদবনি থিংলোইদবনি হায়বগী দিবেতসি লোয়বা খন্বা নায়দনা চৎথরি, অদুমসু চৎথখিগনি। অশেংবা তারকপা ফলদু খঙদ্রি, লিগেলাইজ তৌরগা য়েংদ্রিবনিনা। ৱাফমসিদগী খরা নাথৈরগা নহা ইনখোলকপশিংসিনা করন্না য়ু বু পান্নরকপা অমদি করম্বা ফিভমনা মখোয়বু মায়কৈ অসোমদা চিংশিল্লকপগে হায়বদু নৈনবা কান্নগনি। চহি তরাহুমদোই তরামরী শুরবা নুপামচাশিংসি অয়াম্বা মতমদা অচৌবা সঙ্গ অমা শেন্নিংলকপা মতম ওই। হায়রিবা মতমসিদা মখোয়না খঙদ্রিবা কয়া খঙনিংবা, টেষ্ট তৌনিংবগী চাং ৱাংখৎলকই। পূন্নমকসিগী মথক্তা মখোয়গা লেংমান্নবী নুপীমচাশিংগা লোয়ননিংলক্লে। নুংঙাইবা ৱারী–ৱাতাই শাদুনা পুন্সিবু ময়াই কাহনবা পান্নক্লে। অহোংবা লাক্লিবা অসি অয়াম্বা মমা–মপাশিংনদি খঙহৌ উহৌদে, হান্নগী হান্না হামু হামু অদুম লৈরিবোই খল্লি। হান্না অহল লমনশিংগী মনাক্তা লৈরম্বা নুপামচাশিংদুফাওবা মখোয়গী ইনভাইরনমেন্তগী থপ্তোকপা হৌরক্লে। অহল লমনগী চেকশিন মিৎয়েংদগী নান্থোরক্লবা নুপামচশিংদুনা মখোয়গী অপান্বা খঙনিংবা পূন্নমক চাং য়েংনবগী তাঞ্জা লৌবা হৌরক্লে, নুপীমচাশিংগা সঙ্গ তৌরক্লে, য়ুনচিংবা নিশা অমুক শিজিন্নরগা নুংঙাইবগী মথেল অমা অমুক হাপচিল্লক্লে। মদুদা ফাওরকপা ৱাখল, ময়াই কারকপা ইথিলশিং অদু অতোপ্পা মদুগী এক্সপরিএন্স লৈত্রিবা মমান্নবশিংদা অমুক তমথোক্লগা নুংঙাইজবা ফাওরকই। মখোয়না উরিবা ভিজন্দু অচুম্বনি নহা ওইরিবা পূন্সিগী তঙাইফদবা, নিদ ওফ দি আৱারনি হায়না মমান্নবশিংদুদা লমজিং লমতাক পিবা হৌরকই। মমান্নবা খরদুসু য়াদবা ঙমদে মরমদি মসিদগী নাথৈরবা মখোয়দি মী ওইররোই, নুপা নত্রে, নুপী মান্না কোন্থোং ৱাংমা লান্দনা হিংলো হায়জিনবিরবনিনা মখোয় খরসু অমুক অনৌবা সঙ্গদুদা পূনশিল্লকএ– অঙাওবা তারবা তারে খন্দুনা।

ইনখৎলকপা নহা নুপামচা অয়াম্বনা অসুন্না স্কুল তন্নিঙৈদগী হৌনা সঙ্গদগী অসিগুম্বা নিশাগী ৱার্ল্ড অমদা চংশিনবা হৌখ্রে। মসি মণিপুরখক্কী নত্রে ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনসু পর্সেনতেজ ৱাংলে। সাইকোলোজিষ্ট, সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট কয়ানা নুংনাংবা ফোংদৌক্লে, ফোংদোক্নরক্লবসু ফিভম ফগৎহন্নবগী উপায়দি ইহায় হায়নদে। পেরেণ্ট খরা অমনদি মহৌশানি, খরা লৈরগা জ্ঞান তারকখিনি হায়বসিদা থাজবা থন্নে। অদুবু হকচাংগী নুংঙাইবগী ইথক কারুরবা মখোয় কয়ানা তৌরুরিবা থৌদৌ অসি ফৎলমদ্রে, কান্নরমদ্রে খঙলক্লফাওবদা পাক হেক থাদোকপা হায়বসি অরায়বা ওইরোই। মরমদি মখোয়দা নিশাগী ইনিল লৈখ্রিবা অদু করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদা চুশিনখ্রবনি। মমাংদা পনজখিবা য়ুবু চা–কোফীগুন্না চাং য়ান্না কক্লা শিজিন্নবা হায়বদুদি লাইচুখ্রবা মতমদদি ৱারীগী ৱা ওইরক্কনি, থিওরিদা য়ানি হায়জরগসু অখঙ অহৈগী পাউতাক কয়া লৌরগা এক্সরসাইজ অমা ওইনা চথহন্দ্রগদি কন্ট্রোল তৌবা ৱাগনি। কায়নথংদদি পেরেন্তশিংসু ৱাদবা য়ারক্ত্রে। মমান্নবা ময়াম অমা তিন্নরগা পংফদা ফরক্কনি হায়রম্বদু য়ারক্ত্রে। করিনুংগী মখোয়গা পুলহল্লুবনো হায়নরক্লে।

ফনা য়ান্না মপান্দা থাদোক্লগা ফগদ্রা খন্দুনা থাদোক্লুবসু য়াওই অদুবু ফিভমদি শাথিরকই, কায়নথংদা নিশাদা থৱায় লুপশিনখ্রবা মচানুপাশিংদু নুপী থিজিনবনা অমত্তা ঙায়রবা মমা–মপাগী ওপসন ওইরকই। নুপী থিজনবি, চহি নৌরিবী অদুনা মৌ অনৌবী ওইরগা মমাদৌনা গাইদেন্স ফজনা পিরগা মচাবু লাকশিনবা ঙমগনি হায়না পেরেন্ট খরনা আশা তৌজরুই। অদুবু মদুমক্তি লোয়না ওইখিদে নুপামচাদুগী চৎলিবা শাজৎ নুপীদফাও খঙহন্নিংদবা ফাওরকই। মৌ অনৌবীনা অমুক চিংনৈ, মাগী মফমদগী থাপতোকখ্রগা করম্বা অতোপ্পা সংসারদনো মানা লৈরিবসে হায়না। কুইদে খঙনরকপা তাবনি–কনানা কনানো হায়বদো। মতাংসিদা মৌশিংদুনা করেক্সন য়াররোই খঙলগা মফমদুগী থাপতোকখিবা অমা, অতোপ্পা অমনা তুংইনজবী ওইরগে মহাক য়ানবা চৎলগে খন্দুনা হৌনবা হৌনদবা খন্দনা মখোয় নীমক নিশা চামিন্নখিবা থকমিন্নখিবা–নুংশিনবা, লোয়নবা নুংঙাইবা হায়বসি চাকচা য়ূথক তিন্নবা দরকার ওইরকপনিনা–মসিগুম্বসি ঐখোয়না সমাজসিদা য়াওদবা নত্তে। অদুনা মরক মরক্তা ঐখোয়না নুপীগীসু অসিগুম্বা পাউ খরা অদুম তারকপা য়াওরিবসিনি।

অদুবু মতন্না অওনবা খরদি পিরক্কনি। অঙাং চহী ৩ গী লৈরকপা কান্দা স্কুল থাদবা য়ারক্লোই, অহল লমন্দগী ঙাক্তা দিপেন্দ তৌদুনা হিংবা য়ারক্লরোই। মতাংসিদা তর্নিং পোইন্ট অমা লাক্লে, শু নোমদুনা ফত্তবা হৈনবী থাদোক্তুনা মচাগী ব্রাইত ফ্যুচর অমগীদমক থৌনা লৈনবা হিংলগে হায়বা অমা, অমরোমদনা নিংবা কায়রবনি হায়দুনা অমুক্কা হেন্না নিশাদা মৈরৌ হেনজল্লকপদগী মনুং মতম চাদনা পুন্সি লোমখিবা অমা।

চহি নৌনা নুপামচাশিংনা নিশাগা শন্নরকপা হায়বসিদা চেন্নরিবসি মমা–মপাসুনি। মমা–মপাগী ইগনোরেন্স খরসু লৈগনি। মতমসিদা মমা–মপাশিংনা কারবারগীবু ওইরো, অতোপ্পা ফেমিলি প্রোব্লেম খরগীবু ওইরো, মদুদা লুপশিন্দুনা অদুম লৈখিবদা অঙাংশিংগীদি মনিং তম্বগী চাং ৱাংখৎলকপা তাবনি। অথিংবা য়াওদনা নহা ওইবগী পূন্সি লেন্নিংবা হায়বসিদি হৌনশানি–মখোয়গী অনীংবা কয়াদু ফত্তে পামদে হায়রুবদা ঐখোয় শিখ্রো হায়বরো হায়বা ৱাহং অসি হংলকপা য়াওরকই, মখোয়না মসি হায় হায়দুনা ফ্রিদা করম থাদোক্কনি, উপায় অমা তৌদুনা লাকশিনবা তাই। মীগী মচা গাইদ তৌবিদ্রসু পংফদা ফরকই হায়বদুনা চৎনবা য়াবা পাউখুম ওইরোই, চামগী মনুংদা অমা অনীখক য়াওরকপদুগী মতৌ লোইনমক তম্মু হায়বা য়ারোই।

নহা খরগী অচৌবা ব্রিকনেস হায়রগদি নুপীমচাশিংগা মখোয়গা নকশিন্নবা মরী থম্বদগী ওইরক্লিবা ফত্তবা কয়াসিসু অমনি। ইনাকখুনবা মমা–মপা অয়াম্বনা মচানুপাশিংগী অপান্বা থুংহন্নবা হোৎনবা য়াবা মখৈ হোৎনৈ। করম্বা ফিভমদা? শেলনা থোং শারগা, অপাম্বা অরং–অরাক্কী পোৎলমশিং মখোয়না হায়রিবমখৈ পিশল্লগা মচা হরাউনবা হোৎননৈ। অৱাবা হায়বদু মশক খঙহন্নিংদে। নুংঙাইরবা মেতরিএলিষ্টিক ৱর্ল্ড দা চৎনরিবা অনৌ অপেন পূন্নমক ইনখৎলকপা মতমগী নহাশিংনা ফংনিংঙিবদুমক মমা–মপাশিংনা এ তু জেদ ফংহন্নবা হোৎনরকই। লকজরি কার, মতমগী য়ক লাউবা ফেসনেবল ওইবা ফিরোল, ফজবা য়ুম পূন্নমক মখোয়গী ওইরে। মসিমকসু নিশা মখল অমনি নহাশিংগী মফমদদি অসিগুম্বা মপান্থোংগী নুংঙাইবা থিবগী খোংচত্তা অতাঙবা ফোরেন লিকরশিং খর খরদগী চাং ৱাংনা শিজিন্নরক্লে। মখোয়না খল্লি শেলনা মিৎ থকহল্লবদি নুপীগী নুংশিবসু লৈবা ঙমগনি–মেতরিএষ্টিক ৱার্ল্ডসিদদি। মীওই অয়াম্বনা খন্নে–মতমগী নুপীগী ফিজেৎ চাকচা–অকোম্বা, অককপা, অপাবা কয়াসি শেৎ–চারিবসিনা নুপীদা চখবা ক্রাইম হেনগৎহল্লি। চুম্মী, হিরম খরদবুদি। নুপামচাশিংগী মিৎ থকহনবা, মপান্থোংগী হকচাংবু ষ্টিমুলেট তৌহনবা অসিনচিংবা কয়াদা মদুনা মতেং পাংশিল্লমগনি। অদুবু ময়াই কাবা নিশা থক–চারিবা নহাশিংনা করিগীদমক্তঙা নুপীমচাশিংবু মখোয়গী ৱার্ল্ড দা চিংশিন্নবা ৱাখল মফাং মফাং খল্লম্মোইদগে? হংনিংলিবা ৱাহংনি। ৱাখল কন্ট্রোল ঙম্মক্ত্রবা নিশানা থুমহল্লক্লবা নহাশিংগী মমিৎতা নুপীমচাশিংগী ফজববু পোজিতিবলি উবা ফংলমগনি থাজদে। তুংকোইনা নৎত্রবসু ঙাইহাক্তং মখোয়গী ওইনিংবা, মখোয়গী নুংঙাইবা ইচেলদা তাউমিন্ননিংবদগী শক্তিনা খুদুম চন্দুনা নমজা নমথেক্লবগী পাউ কয়া তানরি।

য়ুগুম্বা হৌজিক মতমগী য়ান্না কমন ওইবা লাইনা ফংবা নিশাসিনা নহাশিংদা লান্দারক্লিবসি শেলপায়বা ইমুংগী নহাখক্তদা নত্তে হায়বদি হরাওরবা নুংঙাইরবা নহাশিংদুতদা নত্তে, নিংবা কায়রবা, পুন্সিদা আশা কয়া তৌরুরগসু মদুগী চপ চাবা মহৈ ফংখিদ্রবা কয়াদসুনি। লৈবাকসিগী চাউরবা প্রোব্লেম অমা হায়রগদি নহাশিংগী থবক ফংদবসিসু অমনি। থবক ফংদবনা নহা কয়াদা ঙাওচৎনহল্লি, লম্মুক্নহল্লি, নিংবা কায়বনা মরম ওইরগা য়ুদা তাইনরকই। মসিদগী হেন্দোক্তুনা করপসনগী লায়না অমসু পাক শন্না মরা তানা সমাজসিদা লৈশনখ্রবনিনা মমান্নবা ইনাকখুনবা শেলনা থোং শারগা থবক লৈবা ঙম্বা খরনা অচৌবা লৈঙাক্কী থবক্কা পায়খিবদা লায়রবা লাইরিক্তি য়াম ফজবা নহা খরদদি ৱাখল লৈতাউ হায়বা য়ারক্লোই। পূন্নমকসি কাউথোকপা ঙন্নবা য়ু গী সংসারদা লূপ্পগে হায়রক্কনি।

ঙাওবা লাঙবা পামজবা নহা কয়াগী নুংঙাইবা থিবগী খোঙচৎসি লোয়বা খম্বা নায়বা নত্তে। শুপ্পগী পামজবা নুপীমচা খরদা ঙাথু থেংথুরুবদা ক্রাইম কয়া থোক্লক্কনি অমদি আইনগী চৈরাক অমসু মায়োক্লগনি খঙবনা মখোয়গী মিৎয়েং অসি অমুক ওক্তবী শঙলেনলোমদা থমজিল্লক্লে। মণিপুরগীদি মসিগী প্রোব্লেমসিদি কয়া পাক শন্দ্রবসু অচৌবা ইন্দিয়াগী সিটি কোলকতা, দিল্লি, চেন্নাই, মুম্বাইনচিংবদদি অসিগুম্বা শঙলেন অসি চহী কয়াদগী মরা তাশিনখিদুনা অপঙ অশিং খাক্তনা খঙন উনরবা ৱাফম ওইরক্লে। হিরমসিদা হৈনজরাব নহা কয়া লৈবদগী ঙসি সিটিশিংসিদা অসিগুম্বগা শক্লোন অসি মকা ফন্না শাফোংলকপা ঙম্লিবনি। নিশা শিজিন্নরবা নহাশিংগীসু মসি মথেল অমনি। অসিগুম্বা মতমগী সমাজদা পিরিবা শাফু অসি থেংননিংবা, মায়োক্লনিংবা মরু ওইনা নুপীগী ওর্গনাইজেসনশিং মরাং কায়না লৈ অদুবু লেপ্পা লৈতনা ষ্ট্রগল চৎথরকপদি ইতোয় তোয়রক্তে। অহোইনদুম ময়াই কারবা নহাসু ওইরিবা নিশাৱালাশিংগী দিমান্দি লেপ্পা লৈতে। মখোয়গী য়েংদুনা অপাম্বশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা চমজরবী খুঙ্গংগী চনুরা কয়া ফাওবা উপায় অমা তৌদুনা নম্ফু হাফুদা হায়রিবা শারঙ মনুংদা চংহনখিবা কোঙ্গাইনি।

নৌরিবা নহাশিংগী পুন্সিদা অরং অরাক্কী মেতরিএল প্লেজরগী অপাম্বনা থুমহৎলবশিং অসিগী মখোয়গী মশাদা স্পিরিচুয়েল কনসিয়স ওইবগী চাংসি য়ান্না ৱাৎলি হায়নিংই। অদুননি মখোয়না সমাজসিদা নুংঙাইতবা ইনভাইরনমেন্ট অমা শেমগৎলক্লিবসি। পূন্নমকসে চাদা চামা থিংবা ঙমদ্রবসু নোংমা নোংমগী চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লিবা ফিভম অসিদি খরা লাকশিন্নবা হোৎনবদা মমা–মপা, সোসিয়েল এক্তিবিষ্ট অমদি নুপীগী ওর্গনাইজেসনশিংসু থৌদাং খরদি লৌবা য়াই।

নহা ওইরিঙৈ হায়সিদি খরসু ঙাওগদবনি, হনুরগা মতন্না অদুম লাইনিং–লাইশোলদা চংশিল্লক্কনি হায়বসিদা অদুম থাজবা থমদুনা লৈথোক্কুমসি। ঈশ্বরনা মীওইববু করিগীদমক্তা তাইবংপাল অসিদা থারকপনো করি থৌদাং পাংথোক্কবনো ’সিগুম্বগী খন্ন–নৈনবসি স্পিপচিুয়েল স্কোলরশিংনা লেকচর পিরবদি অঙাংশিংনা, ইনখৎলকপশিংনা ভেল্যুজ ওফ লাইফ খঙবদা মতেং ওইগনি। মীওইবা হায়বসিনা হরাওবা নুংঙাইবতমক পুন্সিদা তানগদবা নত্তে, পুন্সি অসি অৱাবনি, শিরবা মতমদতা অৱাবা কোক্নরিবনি হায়বনচিংবা ৱাখলশিং অসি নহাশিংনসু খঙজিনবদা করিসু অকায়বা লৈরোই হায়না খঞ্জে। পূন্সিদা কা হেন্না মেতরিএলগী নুংঙাইবা লৌনিংবগী ইখৌলাংবা অসি খরা হন্থহন্নবা স্পিরিচুয়েল লেসন খরা মতমসিগী নহাশিংদা খঙহনবা হায়বসি পুংফমসিগী তঙায়ফদবা ওইরে।

# মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা লৈরিবা লাইরিকশিংসিবু??

*মনিন্দ্র কোন্সম*

মণিপুরদা ‘‘মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন’’ (MALA) হায়বা অমা লৈ। ১৯৮৭ তগী লিংখৎলকপা লূপ অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্বু খুন্নাই অমনা চাওখৎপদা লাইব্রেরিনা লৌরিবা মমল নাইদ্রবা থৌদাংশিংবু খঙহন্নবা থবক–থৌরম কয়া পায়খৎলকখিবা ঙসি ফাওবদসু হনবা লৈরক্ত্রি, লেপ্পা লৈরক্ত্রি। অদুগা মণিপুর শীনবা থুংবগী লৈকায় খুঙ্গং খুদিংমক্তা লাইব্রেরি অমমম লিংখৎনবগী ঈহৌ খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপসু লেপ্পা লৈরক্ত্রি। মদুগী মহৈনা ঙসিদি মণিপুর তমপাক্লমগী লৈকায় খুঙ্গং কয়াদা পূন্না লাইব্রেরি ১৪৪ লৈরে। মসি য়ান্নমক পূক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবা থৌওং অমনি। অদুবু MALA গী মপূঙ ওইবা থৌদাংদা লিংখৎলকখ্রিবা লাইব্রেরিশিং অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়ৌহনবা ঙমদ্রিবগুম তৌরি। অৱাৎপা অসিবু MALA না তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা শুংসোয় সোয়দনা মেনখৎলক্কনি হায়না থাজে।

হৌজিক মণিপুরগী তম্পাক্লমখক্তগী মনুংদা লৈরিবা লাইব্রেরিশিং অসিদা লৈকায়–খুঙ্গংশিং অদুগী মীয়ান্না পারগা কান্নবা লৌনবগীদমক থন্লিবা লাইরিকশিংদি মপূঙ ওইনা চহি খুদিং মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা পূল্লগা পূল্লপ লৈরগা পীথরকপা লাইরিক মখলশিং ঙাক্তনি।

MALA না মণিপুরদা লাইব্রেরিগী খোঙহৌ চাওখৎহন্নবা হোৎনরকখিবা কয়াগী মনূংদা থোইদোক্লা শীংথাবা য়ারিবা অমনা ১৯৯৩ অদুৱাইদগী হৌরগা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লাইরিক্কী মেলা চহি খুদিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লক্লিবা অসিনি। হায়রিবা লাইরিক–মেলা অসি মপূঙদা MALA না হোৎনজরকখিবা কয়াগী মহৈনা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, রাজা রাম মোহন রাই লাইব্রেরি ফাউন্দেসন, কোলকতা (RRLF) অমসুং MALA , অহুম অসি খূৎশন্নদুনা পাঙথোকপা হৌরকখিবনি অমসুং পাঙথোক্লক্লিবনি হায়না থাজে।

মণিপুরগী ওইনা ইম্ফালদা ষ্টেটকী থাক্তা লাইরিক্কী মেলা পাঙথোকপা হৌরকখিবগা ঈরোইননা, RRLF কী অচৌবা শেন্থংগা লোননা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা চহি খুদিং, মণিপুরগী অইবা অইবীশিংনা ইদুনা ফোঙবা লাইরিকশিং লৈবীবগী থৌওং অমসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লক্লি।

RRLF কী শেন্থংগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীনা মণিপুরগী লাইরিকশিং লৈশীনবি হায়রিবা অসি খজিক খরাক্কী শেন্থং নত্তে। মণিপুর সরকারনা লূপা ১০ পুথোকপদা RRLF না লূপা ৯০ পুথোকপীবনি। হায়বদি লাইরিক লৈবদা চঙলিবা শেনফম অপূনবগী চাদা ৯০ দি RRLF না পুথোকপীরিবনি। অসূন্না লাইরিক লৈবা অসি হৌজিক্তি চহীগী ওইনা য়ামদ্রবদা লূপা লাখ ৫০ রোমগী চান্দগী তাদনা লৈরে।

অসুন্না মণিপুর ষ্টেট সেন্টেল লাইব্রেরিনা মণিপুরগী অইবা–অইবীশিংনা ইবা লাইরিক অসি হৌজিক্কী ওইনদি লাইরিক্কী মমল লূপা ২০০ (চনী) ফাওবগী মনূংদা লৈবশিংদি লাইরিক অমমমগী ওইনা মশীং ১৪৫–১৪৫ লৈরি।

মণিপুর ষ্টেট সেন্টেল লাইব্রেরিনা লাইরিকশিং অইবা অইবীশিংদগী লৈগদৌরিবা লাইরিকশিং অদু খনগৎনবগীদমক্তা অখন্নবা থৌরাং তৌদুনা লাক্লি। অহানবদা সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী মায়কৈদগী পাউচেনচিংবা মিদিয়াগী খূৎথাংদা অইবা অইবীশিং অমদি পব্লিসরশিংবু মখোয় মখোয়না মতম –মতম অসুক –অসুক্কী মনুংদা ফোঙবা লাইরিকশিংগী কপি অনী–অনী থাগৎলক্লবা কৌই। মদুদাথাগৎনরকপা লাইরিকশিং অদু মীয়ান্না পাবদা কান্নগদবা অফবা লাইরিক্লা, লাইব্রেরিশিংদা থম্বা মতীক চানা কান্নরগদবা লাইরিক্লা হায়বশিং কুপ্না য়েংশিল্লগালৈগদবা লাইরিকশিং খনগৎনবগীদমক মীওই ৬–৭ না শব রিভিয়ু কমিটি অমমম চহী খূদিংগী শেল্লি। কমিটি অদুদসু MALA গী মীহুৎ শোয়দনা য়াওরমগনি হায়বা থাজে। করিনা, খনগৎলবা লাইরিকশিং অদু MALA গী থৌশিল য়াওনা মণিপুর তম্পাক লমগী লৈকায়–খুঙ্গং কয়াদা লিংখত্তুনা লৈরিবা লাইব্রেরিশিংদা য়েন্থোকখিগদৌরিবনি। লাইব্রেশিং অদুদা থমহন্দুনা মীয়াম্বু পাহনগদৌরিবনি।

অদুবু ঙসি ফাওবদা চহী খূদিং MALA গী মীহুৎ য়াওনা শেম্বা রিভিয়ু কমিটিনা খনগৎলগা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা RRLF কী শেন্থং মখাদা লৈরিবা লাইরিক মখলশিং অসি করম তৌবনো হায়না হায়না হংবা য়ারক্লি। লৈবীরিবা লাইরিকশিং অয়াম্বা খোরিরোল (সাহিত্য) গী শৈরেং, ৱারীমচা গুম্বা ঙাক্তনা নম্বা থেংনৈ। মীয়ান্না পাবদা কান্নগদবা তোঙান–তোঙানবা হীরম কয়াগী লাইরিকশিংদি ইয়াও য়াওদবগুম থেংনৈ। অদুনা হৌজিক্তি ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা লৈখিনবখক্কীদমক কৈথেল নংনবা মওংদা ফোঙনরকখিবা মানবা শৈরেং অমসুং ৱারীমচাগী লাইরিক কয়া লাইব্রেরিশিংদা থেংনরে।

অসিগুম্বা কয়া অসিনা তাকপদি অফবা লাইরিক খনগৎপগী থৌদাং লৌবিরিবা রিভিয়ু কমিটিগী মেম্বরশিংনা মাগী –মাগী অপাম্বা মওংদা নৎত্রগা অইবা –অইবীশিংগী শক–মায় য়েংনবগী মওংদা লাইরিক খনগৎলে হায়বনি। মসিদি অচুম্বা থৌওং ওইরোই করিনা–

MALA না অসুক কুইরবা মতমদগী মণিপুরদা মীয়াম্বু, মরূওইনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু লাইব্রেরিগী অঙকপা মগুন খঙহন্নবা অমসুং কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা ঙসি ফাওবদা লিংখৎলকখ্রিবা লাইব্রেরিশিং অসিদা শৈরেংগী ৱারীমচাগী অমদি অতৈ খেরিরোলগী লাইরিক ঙাক্তনা প্রীক–প্রীক শৌদুনা চহি খূদিং থমজিল্লবদি মদুদগী ফংগদৌরিবা কান্নবসি করিনো?

মণিপুর তম্পাক্লমগী লৈকায়–খূঙ্গং কয়াদা ঙসি লিংদুনা হাংলিবনি হায়রিবা লাইব্রেরিশিং অমত্তদা লনাই য়ূমগী ওইনা লৈবা ঙমদবা দিকসনরি অমতা য়েংগে ফংবগী ৱা লৈত্রি। মপান লমদা ফোঙবা এনসাইক্লোপেদিয়া অমতা য়েংগে হায়বসু ফংলোই। মালেমগী, লৈবাক্কী ইরমদমগী হিষ্টৌরি জিওগ্রফি, কলচরগা মরী লৈনবা অফবা য়াওলগা মরী লৈনবা কান্নরগদবা লাইরিকশিংসু থন্নদ্রি।

অদু ওইরবদি MALA না মণিপুরদা লাইব্রেরিগী খোঙহৌ চাওখৎ হন্নবগীদমক থৌদাং কয়া য়াদুনা মণিপুরদা লিংখলিকখ্রিবা লাইব্রেরি কয়া অসিনা মীয়ামদা পীবা ঙমগদৌরিবা কান্নবশিং অদু কদায়দনো? লাইব্রেরি লিংবগী অচুম্বা ৱাহন্থোকসু লৈখিগদ্রা?

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অঙমবশিংনা তৌনীংবা তৌরিবসি য়েংশিনবগী মতম হেন্দোকলে

*ইকায় খুন্নজরিবা এদিটর,*

*চিল্লবা ইম্ফালগী বজারগী মনুঙদা গাড়ি খাল্লিবা মীওইশিংনা, ঐনা খামলগা লোইরে, ঐ নুংঙাইরগা লোইরে হায়বগী ৱাখল থাদোকপগী মতম ওইরে হায়জনিংই। মসি নত্তদুনা ঐ মঙাইরে হায়দুনা লম্বী ময়াইদা গাড়ি খামজিন্দুনা অকন–অরেং শাবনদী কুইনা চৎনগদবা নত্তে হায়নিংই। ঐ–খক নুংঙাইরগা লোয়রে হায়বগী ৱাখল থাদোক্লগা ময়ামগী ওইনা খনবনা হেন্না অফবা ওইরক্কনি। ত্রাফিক জাম লৈরগা মোবাইল ফোন তৌদুনা মনিংদা কনা লাক্লি, গাড়ি করি থৌরক্লি হায়বগী ৱাখল খনবা ঙমদবা শিংদি কোইরেঙগৈ ইয়ার ফিলদা গাড়ি থৌরুরো হায়বসিনি। ত্রাফিক কন্ট্রোলসু ওইরো, প্রাইভেট পাকিং শেন্নরীবশিংসু ওইরো ইমান্দা মান্নবগী থৌওং অমা উরিবা অসি শেমদোকপগী মতম ওইরে। অচৌ অশাংনী হায়রগা হেক্তা মনিং হনবা, মখোয়না তৌরদি ইয়াদা য়ারবা মফম্রা? অচৌ অশাংসু, লাইরবসু চাক চারীবা ঙাক্তনি। অদুনা মীওইবা অমা ওইবগী চপ চাবা চাকথুং ফীথুং মান্ননা লৌবা তাবনি। হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা থেংনরীবা অৱাবা অসি করিনো হায়বসি থীদোকপা অমা চংলি। পীকখ্রবা ইম্ফাল ময়োলদা অঙমবশিংনা তৌনীংবা তৌরিবসি য়েংশিনবগী মতম হেন্দোকলে হায়নিংই। গাড়ি থৌরিনি হায়দুনা অতোপ্পদা অপনবা পীরবদি অহাংবা লমহাংদা থৌরুবনা হেন্না ফগনি খল্লি।*

অদোমগী

নাওরোইবম শরত